# মণিপুরী ফিল্ম ‘‘নঙনা কপ্পা পকচদে’’ ইন্টর্নেটতা রিলিজ তৌগদৌরি

ইম্ফাল, জুলাই ২৯ ঃ পি. কে. ফিল্মসনা ৩৫ এম এমদা পুথোকপা মহারাজকুমারি বিনোদিনিনা ইবিবা ‘‘নঙনা কপ্পা পকচদে’’ হায়না মিংথোনবা মণিপুরী ফিচর ফিল্ম অসি পৃথিবীগী মফম খুদিঙমক্তা য়েঙবা ফঙননবগীদমক লাক্লিবা আগষ্টকী তাং ১দা নুমিৎ ৭নিগীদমক ইন্টরনেটতা ৱার্ল্ডৱাইড রেলিজ তৌরগনি।

ফিল্ম অসিবু য়েঙবিনিঙবা কনাগুম্বা কনাগুম্বীশিংনা www.screenpremier.com দা সাইন ইন তৌবিরগা য়েঙবিবা য়াগনি হায়রি। ‘‘নঙনা কপ্পা পকচদে’’ হায়রিবা ফিল্ম অসি ৱার্ল্ড রেরিজ তৌনবগীদমক ইন্দিয়াগী অফবা ফিল্ম ৫০ খনগৎপদা য়াওরকখিবনি। ফিল্ম অসিনা মণিপুরী ফিল্মনা ইন্টরনেটতা ৱার্ল্ডৱাইড রেলিজ তৌবা অহানবা মৈতৈলোনগী মণিপুরী ফিল্ম ওইরগনি।

ফিল্ম অসি মাখোনমণি মোংসাবনা দিরেক্সন পিবনি। থৌঙম্বা মচিন মনাওনা পুথোকপনি। শক্তম লাঙলিবশিংনা ঃ তোম্বোই, দেনি, সোরোজিনি অমসুং লৈবাকসেম্বনি।

মিউজিক্স এন. তিকেন্নি, কেমেরানা এন. দিলিপনি। ফিল্ম অসি হৌখিবা ইং ২০১৩ গী দিসেম্বরগী তারিক ১৪দা এম. এফ. দি. সিগী ওদিতোরিয়মদা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবি সিংহ, রসিয়াগী কন্সুল জেনেরেল মিসিজ ইরিনা কে বাসকিরোভা, রসিয়াগী দাইরেক্তর, রসিয়ান সেন্টর ফোর সাইন্স এন্দ কলচরগী মিনিষ্টর অলেকজেন্দর ভি মাজিরকা অমসুং ডা. মোইরাংথেম নরা হায়রিবা মীওইশিং অসিনা চীফ গেষ্ট ইস্পিসিয়েল গেষ্ট অমসুং প্রসিদেন্ট ওইবিদুনা মণিপুরগী ওইনা রেলিজ তৌবিখিবনি।

# দ্রাইভরদি থাদোক্লক্লে জে সি বিদি ফঙদ্রি

ইম্ফাল, জুলাই ২৯ ঃ হৌখিবা জুলাই ২১দা তমেংলোং ডিষ্ট্রিক্টকী তুপুল পার্ট ফোরদগী খুৎলাই পায়বশিংনা ফাখিবা সিমপ্লেক্স কম্পেনিগী জে সি বি দ্রাইভর অনী অদু থাদোক্লক্লে অদুবু জে সি বি অদুদি থিবা খঙদ্রি হায়রি।

থিবা খঙদনা লৈরিবা জে সি বি অদুগী রেজিষ্ট্রেসন নম্বরদি এ এস ০১-জে সি ৮৩৬৬নি। অদুগা থাদোক্লকখ্রবা দ্রাইভর অনী অদুদি খাঙবোক পার্ট থ্রিদগী সাইখোম নন্দ অমদি লৈকাই অসিমক্কী মোইরাংথেম রঞ্জিৎনি।

অমরোমদা থৌদোক অদুগা ইন্দিয়া গভর্নমেন্টকা ৱারী শান্নরিবা এন এস সি এন (আই এম)গা মরী লৈনদে হায়না শেঙদোক্লকখ্রে।

দ্রাইভর অমদি জে সি বি ফাবগী থবক অসি হৌজিক মক্কীদমক্তদি করম্বা খুৎলাই পায়বা ওর্গেনাইজেসননো হায়বদু খঙবা ঙম্মদ্রি।

নোনে পুলিস ষ্টেসননা কেস অমা রেজিষ্টার তৌদুনা থৌদোক অসি থিগৎপগী থবক চংথরিবনি।

# নোংমাইজিং নুমিৎতা হিরোশিমা দেগা মরী লৈননা লাইয়েকপা তান্নরগনি

ইম্ফাল, জুলাই ২৯ ঃ ইন্দোজপান ফ্রেন্দশিপ এসোসিয়েসননা হন্দক চহীগী ওইনা ক্লাস থ্রিদগী সিক্স ফাওবগী স্কুল মহৈরোইশিংগী ওইবা লাইয়েকপা তান্নবগী চাঙয়েং জুলাই ৩১ নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক পুং ৮দগী ১০ ফাওবদা রাম লাল পাল হয়ার সেকেন্দরি স্কুলদা পাঙথোক্কদৌরি।

চাঙয়েং অসিদা শরুক য়ানিঙবা মহৈরোইশিংনা বাবুপরাদা লৈবা জোব সেন্টরদগী ফোর্ম লৌবা য়াগনি। অকুপ্পা মরোলসু সেন্টর অসিদগী খঙবা য়াগনি হায়রি।

# ইথাই বেরেজনা খুঙ্গাশিংদা অৱাবা মায়োক্লহল্লে

ইম্ফাল, জুলাই ২৯ ঃ ইথায় বেরেজগী সত্তর থিঙজিনবনা লোক্তাক পাৎকী ইমায় হেনগৎলকপনা মরম ওইরগা থাঙ্গ, খোর্দাক, নোংমাইখোঙ, কৈবুল, চীংমৈ, চান্দপুর অমদি থাঙ্গলৱাইগী লৌবুক, ঙা ফার্ম অমদি য়ুম ঈশিং থুমজিনখিদুনা অৱাবা মায়োক্লহল্লে হায়না থাঙ্গ কেন্দ্র ডিভলেপমেন্ট কমিতিগী কনভেনর হিজম কুলচন্দ্রনা মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা ফোঙদোকখ্রে।

অসিগুম্বা ফীবম অসি য়ৌরবা ফাওরবা মণিপুর গভর্নমেন্টকী মায়কৈদগী করিগুম্বা মখলগী তেঙবাং অমতা পীরকপা লৈত্রি হায়বগী পেন্দবসু কুলচন্দ্রনা ফোঙদোকখি।

হিরম অসিগী মতাংদা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরদা মেমোরেন্দম অমা পীশিনখ্রে হায়রি।

# লৈঙাক্লা নুমিৎ নিনি মহৈলোয়শঙশিংবু ছুটি থাদোকখিবা অসি অরানবা খোঙথাংনি

ইম্ফাল, জুলাই ২৯ ঃ আই এল পিগী ইরাং লাক্কনি হায়না কিবদগী মণিপুর লৈঙাক্লা নুমিৎ নিনি মহৈলোয়শঙশিংবু ছুটি থাদোকখিবা অসি অরানবা খোঙথাংনি হায়না কংলৈপাক ষ্টুদেন্টস এসোসিয়েসন (কে এস এ)না থোকপা চেরোল অমনা ফোঙদোক্লি।

করিগুম্বা মতমদা মহৈরোইশিংগী য়াইফনবা খনবা শাবগী ৱাঙাং ঙাংবা, করিগুম্বা মতমদনা ঙাংথোকখিবা ৱাঙাং অদু হেক হেক কাউবগী লিচৎ চৎথরকপা হায়বসি কে এস এনা ঙক্তবা ঙমদে হায়না চেরোল অদুনা ফোঙদোকপগা লোয়ননা মখা তারি মদুদি-

স্কুল থোঙ লোননিংলগা লোনবা লোননিংদ্রগা তোকপা নিঙলক নিঙলকপা পঙতৌ তৌশিনবা লৈঙাক্কী লিচৎ অসিনা মহৈ রোইশিংদা চৈথেঙ পীরে অসিগুম্বা থৌওং অসি খুন্নায়না য়ানিঙদে।

লৈঙাক্লা লাওথোকখিবা স্কুল ক্লোজ তৌগদবনি হায়বা ৱাফম হন্দোক্তুনা স্কুল থোঙ হাঙ্গহনগদবনি। স্কুল থিঙবা য়ারোই মহৈরোইশিং স্কুল কাবিয়ু, ক্লাস য়াওবীয়ু। লৈঙাক্লা নিঙেলদা তাইনবা ঙমদ্রবা নাসিখোঙদবু তাইনবা তোকপীয়ু হায়না চেরোল অদুনা অরোইবদা ফোঙদোক্লি।

# মচু সিনেমা হোলগী মখা থংবা ময়াই লম্বী জুলাই ৩১দগী মতম কক্তনা থিংজিল্লগনি

ইম্ফাল, জুলাই ২৯ ঃ ময়াই লম্বীগী শমুরৌগী মচু সিনেমা হোলগী মখা থঙবা শরুক্তা য়ান্না শাথিনা শোক্লবা সোরোক অসি মীশি মীনা য়াওরক্ত্রিঙৈদা জুলাই ৩১ নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক পুং ৬তগী মফম অসি শেমজিন্দ্রিবা ফাওবা মতম কক্তনা থিঙজিল্লগনি হায়না নিউ য়ঙ স্পোর্টিং ক্লবকী চেরোল অমনা ফোঙদোক্লি।

ইলেক্ট্রি সিটি, ৱাটর স্পলাই, ইডুকেসন, মেদিকেল ধর্ম্ম কর্ম্ম, অনা অয়েককা মরী লৈনবশিংগী চৎথোক চৎশিন তৌগদবশিংনা হায়রিবা মফম অসি নত্তবা অতোপ্পা লম্বীশিংদা ফাওদুনা চৎনবা চেরোল অদুনা খঙহল্লি।

হৌখিবা জুলাই ১৯দা মেদিয়াগী খুৎথাংদা ময়াই লম্বীগী শরুক অসিগী শোক্লবা ফীবম অসি খঙহনখ্রেবা ফাওবদা মরী লৈনবশিংনা হায়রিবা মফম অসি চৎনদ্রবসু য়ারে হায়বগী মতাঙ্গম মীৎয়েঙ অমতা চঙবীদবনা এক্সিদেন্ট কয়া থোক্তুনা মীওই কয়া শোকলে গাড়ী কয়া অতেক অকায় থোকক্লে। মরম অসিনা তঙাইফদনা লম্বী অসি থিঙজিনবগী খোঙথাং লৌখৎলকপনি হায়না চেরোল অদুদা ফোঙদোক্লি।

In the Court of the Sub-Deputy Collector

Porompat, Imphal East, Manipur

*Ref. :- Mutation Case No. 561/SDC/P of 2016*

1. Takhelmayum Somokanta Singh, S/o (L) Gobardhon Singh of Khurai Kongpal Chingangbam Leikai
2. T. Jiten Singh, S/o -do- of -do- ***- Petitioners***

***-Vrs-***

T. Gobardhon Singh, S/o T. Kala Singh of Chingangbam Leikai ***- O. P.s***

**NOTICE**

*Porompat, the 29/7/2016*

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লী মদুদি ঃ- Imphal East Porompat Circle গী Village No. 24-Chingangbam Leikai গী Patta Nos: 25 (অরিবা) 109 (অনৌবা) C.S. Dag Nos. 267 an area 0.21 acre of Ingkhol/Phourel Anganphou/Taothabi Class লম অসিগী Pattadar অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner শিং অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar গী মহুত্তা লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না Court অসিদা দরখাষ্ট থাররে মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগী মরী লৈনবা মীওইশিংনা S.D.C. Porompat Court অসিদা Objection তৌবীরনবা খঙহল্লি। নৎত্রবদি Court কী হৌনবী মতুং ইন্না Case মখা চৎথগনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ Court অসিনা লৌজরোই।

Sd/- **Sub-Deputy Collector,**
Porompat, Imphal East, Manipur

*SL/C/894*

In the Court of Sub-Deputy Collector, Moirang

*Ref. :- Mutation Case No. 421/SDC/M/2016*

1. Akoijam Dinesh Singh, S/o (L) Mani Singh of Moirang Khoiru Leikai ***- Petitioner***

***-Vrs-***

Late - Akoijam Mani Singh, S/o Leiren Singh of Moirang Koiru Leikai ***- O.P. P.***

**NOTICE**

Moirang, the 29th July, 2016

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act 1960 গা মরী লৈননা থোকপা নোর্টিস অসিনা খঙহল্লি মদুদি পাটা নং ৩৬৫ (অনৌবা) দাগ নং ১৪০৮গী অরিয়ার ০.৭৮ একর চাওবা ফৌরেল লৌফম খুল নং ৫১-ঙাংখলৱাই দা পাল্লম্বা পাট্টদার মশা মৃতুঃ ওইখ্রে। দংকারীগী মিংদা পানবিরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থাররে। কনাগুম্বা মিং ওনবদা য়ানিংদবা লৈরদি নোটিস অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ (৭) নিগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা য়ানিংদবগী ৱারোলদু দরখাষ্ট ওইনা থারগদবনি। লাক্তবা থোক্লবদি কোর্টনা হৌনবী মতুং ইন্না হুকুম মখা চত্থগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Moirang

SL/892/30

In the Court of Sub-Deputy Collector,

Imphal West (Central)

*Ref. :- Mutation Case No. 1427/SDC/IW(c) 28-7-2016*

1. Mayenbam Puinabati Devi
2. -do- Rupabati Devi
3. -do- Dhanabati Devi
4. -do- Joshiya Devi
5. -do- Ibeni Devi
6. -do- Hemabati all are, D/o (L) Mayengbam Ibungohal Singh of Keishamthong Elangbam Leikai

***- Petitioners***

***-Vrs-***

Co-pattadar No. (1)
Late Mayengbam Renu Devi, W/o (L) Ibungohal of Keishamthong Elangbam Leikai. ***- O.P. Party***

**NOTICE**

Imphal, The 29/06/2016

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act 1960 অসিগী মতুং ইন্না খঙহল্লী মদুদি মৃঃ পাট্টাদার Co-pattadar (1) (Late) Mayengbam Renu Devi পীং W/o (L) Ibungohal সাং Keishamthong Elangbam Leikai গী মিংদা লৈবা ইঃ ওঃ তহশিলগী খুল নং 42-Keishamthong গী অনৌব পাট্টা নং 749 অরিবা পাট্টা নং 1074 দাগ নং 5039 অমসুং অরিয়ানা 0.0550 (হেক্টার) চাওবা ইখোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মখোয়গী মমিংদা পানবিনবা উক্তা কোর্ট অসিদা দরকাষ্ট থারক্লে, অদুনা ইখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবমা য়াওরবদি পাউ-চে অসিনা ফোঙলবা মতুং নুমিৎ ৭ নিগী মনুংদা অইবা চেনা মথক্কী কোর্ট অসিদা ওবজেক্সন তৌগদবনি, মতুংদা লাকপা ওবজেক্সন লৌরোই কেস মখা চত্থরগনি।

**Sd/-**
**Sub-Deputy Collector,**
Imphal West (Central)

SL/893/30

**SHINE ASSOCIATES**

Regd. No. MN05D000796
Under Govt. of India

**URGENTLY REQUIRED**

1. AIRPORT VACANCIES FOR IMPHAL AIRLINES

| Name of Post | No of Post | Gender | Qualification | Salary |
|---|---|---|---|---|
| a) Private/ Assistant Secretary | 2 | F | Graduate/Master/ Fresher can also apply | Rs.12,000+ |
| b) Cargo Executives | 6 | M/F | 10+2 | Rs.8,000+ |
| c) Ground Staff | 15 | M/F | 10+2/Graduate | Rs.8,000+ |
| d) Customer Care Executives | 4 | F | Graduate/Master | Rs.8,000+ |
| e) Office Assistant | 4 | M/F | 10+2/Graduate | Rs.6,000+ |

2. BANKING STAFF FOR IMPHAL UNDER NIBF (National Institute of Banking & Finance)

| Name of Post | No of Post | Gender | Qualification | Salary |
|---|---|---|---|---|
| a) Operations | 25 | M/F | Graduate | Rs.18,000+Incentive |
| b) A/C Opening | 25 | M/F | Graduate | Rs.12,000+Incentive |
| c) BDE (Business Development Executives) | 10 | M/F | Graduate | Rs.15,000+Incentive |

3. HDFC BANK CREDIT CARD FOR IMPHAL UNDER DSA (Direct Sales Associate)

| Name of Post | No of Post | Gender | Qualification | Salary |
|---|---|---|---|---|
| a) Tele Caller | 5 | F | 10+2/Graduate | Rs.8,000 |
| b) Marketing Executives | 25 | M | 10+2/Graduate | Rs.10,000+Incentive |

4. OLYMPIADS FOR IMPHAL UNDER (Huming Bird Education Pvt. Ltd.)

| Name of Post | No of Post | Gender | Qualification | Salary |
|---|---|---|---|---|
| Councillor/ Co-ordinator | 10 | M/F | Graduate | Rs.7,000+Incentive |

Date of Submission : 4/08/2016, Date of Interview:8/08/2016
Sagolband Thangapat Machin (Near UBI ATM)
Office Hour - 10 a.m. to 4 p.m.
☎: 9862826954 / 8575207923

SL/B 28 July 30 days

Sd/- MANAGER

**COMET**

Combined Oceans of Medical & Engineering Tutorials

**ADMISSION OPEN**

**REGULAR COURSE FOR NEET (Medical Ent.) 2016-17**

- Admission through Screening Test on :- 8th August 2016
- Last Date of Form Issue & Submission :- 6th August 2016

*Concession and Direct Admission*

- Available for Meritorious Students
- Position holder in Class-X & Class-XII (Council) & 10 CGPA in CBSE.
- High scorer marks in Class-XII Exam.

*Last Date of Admission :- 16th August 2016*

**DIRECT ADMISSION**
**FOR REGULAR COURSE JEE-MAINS (Engineering) 2017**
*Last Date of Form Issue & Submission :- 6th August 2016*

*Special Attractions*

1. Free studentship for Meritorious Students
2. Special fee concession for COMETIANS & COMET SCHOOL students.
3. Study materials will be provided.
4. Regular test series

SL/Bill/28, 29, 30

For details plz. contact : COMET office New Block, Keishamthong Top Leirak Maning Near Airport Road

**M/S BEE BRICK FIRM**

Wangjing Sabal Checkon Leikai
Near Khongjom War Memorial Gate

| Class | Rate | No. Brick | Amount | Gari Charge | Labour Charge | Total Amount |
|---|---|---|---|---|---|---|
| 1st | Rs.9.00 | 3000 | Rs.27,000 | Rs.3,000 | Rs.600 | Rs.30,600 |
| 1st | Rs.9.00 | 2000 | Rs.18,000 | Rs.2,000 | Rs.400 | Rs.20,400 |
| 1st | Rs.9.00 | 1500 | Rs.13,500 | Rs.1,500 | Rs.350 | Rs.15,350 |
| 2nd | Rs.8.00 | 3000 | Rs.24,500 | Rs.3,000 | Rs.600 | Rs.27,600 |
| 2nd | Rs.8.00 | 2000 | Rs.16,000 | Rs.2,000 | Rs.400 | Rs.18,400 |
| 2nd | Rs.8.00 | 1500 | Rs.12,000 | Rs.1,500 | Rs.350 | Rs.13,850 |
| 1st Rej. | Rs.7.00 | 3000 | Rs.21,000 | Rs.3,000 | Rs.600 | Rs.24,600 |
| 1st Rej. | Rs.7.00 | 2000 | Rs.14,000 | Rs.2,000 | Rs.400 | Rs.16,400 |
| 1st Rej. | Rs.7.00 | 1500 | Rs.10,500 | Rs.1,500 | Rs.350 | Rs.12,350 |
| PT | Rs.6.00 | 3000 | Rs.18,000 | Rs.3,000 | Rs.600 | Rs.21,600 |
| PT | Rs.6.00 | 2000 | Rs.12,000 | Rs.2,000 | Rs.400 | Rs.14,400 |
| PT | Rs.6.00 | 1500 | Rs.9,000 | Rs.1,500 | Rs.350 | Rs.10,850 |
| 3rd | Rs.3.20 | 3000 | Rs.9,600 | Rs.3,000 | Rs.600 | Rs.13,200 |
| 3rd | Rs.3.20 | 2000 | Rs.6,400 | Rs.2,000 | Rs.400 | Rs.8,800 |
| 3rd | Rs.3.20 | 1500 | Rs.4,800 | Rs.1,500 | Rs.350 | Rs.6,650 |
| Chektek | | 407 Load | Rs.3,500 | 1500 | 350 | 5350 |

SL/808/cont. 30 Days

**Contact: 1) Kanta : 9615839170, 2) Bikom : 9856479022, 3) Ratan : 9856916762**

**PIS Brick Field**

(From time to time rate changeable)

BRICK SAMPLE

| Class | Rate | Brick | Amount | Gari Charge | Labour | Total |
|---|---|---|---|---|---|---|
| 1st | Rs.8.80 | 3000 | Rs.26400 | Rs.3000 | Rs.600 | Rs.30000 |
| 1st | Rs.8.80 | 2000 | Rs.17600 | Rs.2000 | Rs.400 | Rs.20000 |
| 1st | Rs.8.80 | 1500 | Rs.13200 | Rs.1500 | Rs.350 | Rs.15050 |
| 2nd | Rs.8.20 | 3000 | Rs.24600 | Rs.3000 | Rs.600 | Rs.28200 |
| 2nd | Rs.8.20 | 2000 | Rs.16400 | Rs.2000 | Rs.400 | Rs.18800 |
| 2nd | Rs.8.20 | 1500 | Rs.12300 | Rs.1500 | Rs.350 | Rs.14150 |
| 1st Rej. | Rs.7.00 | 3000 | Rs.21000 | Rs.3000 | Rs.600 | Rs.24600 |
| 1st Rej. | Rs.7.00 | 2000 | Rs.14000 | Rs.2000 | Rs.400 | Rs.16400 |
| 1st Rej. | Rs.7.00 | 1500 | Rs.10500 | Rs.1500 | Rs.350 | Rs.12350 |
| Peti | Rs.7.00 | 3000 | Rs.21000 | Rs.3000 | Rs.600 | Rs.24600 |
| Peti | Rs.7.00 | 2000 | Rs.14000 | Rs.2000 | Rs.400 | Rs.16400 |
| Peti | Rs.7.00 | 1500 | Rs.10500 | Rs.1500 | Rs.350 | Rs.12350 |
| 3rd New | Rs.4.00 | 3000 | Rs.12000 | Rs.3000 | Rs.600 | Rs.15600 |
| 3rd New | Rs.4.00 | 2000 | Rs.8000 | Rs.2000 | Rs.400 | Rs.10400 |
| 3rd New | Rs.4.00 | 1500 | Rs.6000 | Rs.1500 | Rs.350 | Rs.7850 |
| 3rd Old | Rs.3.00 | 3000 | Rs.9000 | Rs.3000 | Rs.600 | Rs.12600 |
| 3rd Old | Rs.3.00 | 2000 | Rs.6000 | Rs.2000 | Rs.400 | Rs.8400 |
| 3rd Old | Rs.3.00 | 1500 | Rs.4500 | Rs.1500 | Rs.350 | Rs.6350 |

**Contact: 9862048579, 7085684539, 9856052197 (Sunday closed & Phone switch off)**
**Wangjing Saban Chekon Leikai, Near Khongjom War Memorial Complex.**

# য়াইথিংকোনু

*লোইতোংবম মনিহল*

## খুইয়োন হাওবনা তালোয় খনবা

কেগে ঙাংঙোই নিংথৌনা, মনাই খুইয়োন হাওববু
কেগে লৈকাই কোয়দুনা, মোইরাং লৈকাই হেল্লগা
‘পাম্বা লৈরাং হেক্লবা, খোয়দা’ নাচোম শেন্নবা
মনাই খুইয়োন য়েংলগা, নিংথৌ য়াৱা পাউমেনবা।
হাওবা লৈকাই হেন্দনা, মদোম কপ্পা মরৈবা
মপুই সনা পূক্লিংদা, তুমিন লৈবা ঙমদ্রবোই।
কেগে নিংঙোল লাকপগা, নিংথৌ চিক্লা ৱাতান্নে
নিংঙোল লাকপা অনীদা, কেগে লৈমরোন চাত্রেৎ
মোইরাং লৈমরোন চাত্রেৎ, কেগে চনু খোল্লগা
মোইরাং খোরী কৈথেন্দা, লৈরাং লৈকোল শেন্নগা
ইনাই পূক্লিং খোয়দাবা, খুইয়োন তালোয় খনহল্লু
নিঙোন লাকপা অনীদা, নিংথৌ য়াথঙ তাকপিখ্রে।
সনা য়াথঙ ফিগাও শা, নিঙোন লাকপা অনীনা
লাঙ্গোই শগোন তোঙলগা, কেগে খুনথক খুনখাদা
শগোন পাউজেন পীরক্লে, নিংঙোল লাকপা অনীদো।
কেগে তাদ তাহৌরো, মোইরাং খঙদা খঙহৌরো
হয়েঙ ইনুং শোরাঙান, কেগে চনু মতাখোয়
মোইরাং চনু ময়ামমক, কেগে খোরী কৈথেন্দা
চনু ময়াম পূল্লগা, হাওবা তালোয় খন্দৌরি।
কেগে চনু পূনবিয়ু, মোইরাং নিংঙোল তিনবিয়ু
কেগে লৈরক খুল্লক্তা, মোইরাং য়ুমথোঙ চঙদুনা
লাঙ্গোই মপাউ লাউরগা, নিংঙোল লাকপা অনীমক
শেঙ্গা থুমজা হৈবনা, হন্দক মতাং অসিদা
শেনবু চাশি ৱাতানৈ, নিংঙোল লাকপা অনীদো।
কেগে খুনথক খুনখাফাও, কেগে চনু ময়ামদা
ঐখোয় পীরি পাউজেনসে, মশক থীবী চনুদি
হাওবা তালোয় খনবদা, য়াওবা য়াদে খঙহৌরো
অমুক হন্না লাউরগা, লাঙ্গোই খুরুপ থৌরগা
ময়ুম মোঙবা পাঙনখি, নিংঙোল লাকপা অনীদো।
নিংঙোল লাকপা অনীগী, লাঙ্গোই পাউজেন তাবদা
নিংঙোল কুচু পান্দবী, তুঙয়ান য়েঙই নম্বোনবী
মায়থোঙ য়েঙঙুই ফোবচাওবী, চনু নিংঙোল থিক্লেম্বী
থম্মোয়নুংদি খোয়রাঙজে, মশক খরা থীখিবা
শন্নাং খজিক খোয়বদে, নীংবা কায়বা কয়ানা
থম্মোয়শোক্লা কপ্পরি, কেগে খুনথক খুনখাদো।
মোইরাং চনু কয়ানা, ইশক থীজৈ কপচবা
পলেম পম্থৌ ওইবশিং, তুমিন লৈবা ঙমখিদে।
মশক থীবী মমোমগী, নীংবা কায়বা উবদা।

মথঙ মথঙ...

# চিঙ্গাক্কী লায়েং

*তেলেম যোগেন্দ্রজিৎ*

## ওকহিদাক

গুণ-ওক হীদাক অকনবা মনম। চাবদা শাই। হকচাং শাগৎহল্লি তুমনবা মৈ কলহল্লি। থী-য়ুং য়ৈখৎপা ফহল্লি। পূকথিনবা, শারৈ, লোক অঙাওবা, ভুত, তীলকাংনা শোকপা ফহল্লি। বাতরোগতা কান্নবা হীদাক্লি। করি য়াওরি-অখাবা, চনাং, ম্যুসিসজে য়াওরি গ্লুকোসাড ভেলেটাইন য়াওরি।

## নিম

শীজন্নগদবা-মকু, মরাগী মকু, মহৈ, মপাল অমসুং মনা মরু, মনপ, তাড়ি।

কান্নবা-মকুদি খাই, পাঙ্গল হাম্পী অমসুং ধারকনি মনাদি মিত্তা কান্নরবা হীদাকনি, মখল মখা অয়াম্বা চাব তুমদবা ফহল্লি। মৈ কলহলি, তীল শিহল্লি। হকচাঙগী হু মাংহল্লি। উনশাগী লাইনা মাঙহল্লি। মহৈদি-মাঙথোকহল্লি, হাইফেৎ শাই, নুংশাং ফহল্লি, তীল, ধাতু অমসুং ঈশিং মরী ফত্তবা ফহল্লি।

মণিপুরদা মখল অহুম ফঙই। মদুদি ঃ- নিম পাম্বী অচৌবা তাইরেল মানবা অমা অমসুং তাইরেলগী মরু মাননা পানবা, শৈজ্রাক্কী মতৌগুম্বা পাম্বী চাওদবা মহৈ মতুম তাবা অমা, (মহা নিম্ব) কৌবা জাৎ অমা অদুগা শৈজ্রাক কুমনা মরু পানবা শৈজ্রাকক্তগীদি খরা পীকপা জাৎ অমা, মদুনা ‘‘জঙ্গলী নিম’’ কৌই।

১. হীদাক ওইনা-মনা অদু ঈশিং মতিক চানা হাপলগা মচু নাপু মানশন্না ফুৎপগা অপাৎপা, চাফৎপা, অপোম্বা কুইং, ফুগ্রী, লায়থুং অপোম অতং পূন্নমক চাম্বা কান্নে।
২. মনা শুবা-তোলা ৩ ঃ চেঙ নৎত্রগা আতাগী য়াম তোলা ৩ ঈশিং খরা হাপ্তুনা থিৎলগা পোনটিস শেমলগা-অপোম্বা, অপাৎপা, চাফাৎপা, খুইংনচিংবদা থোম্বা কান্নে। অপোম্বদি থুনা মুনদুনা পোখায়রক্কনি।
৩. নিম মপাল-হৱাইগা নীংথিনা থোংদুনা চারগা চানিং থকনিংদবা চাফমহনবা ফহল্লি।
৪. নিম মকু শুগাইবা — তোলা ৫
   ফদিগোম মরু — চামচ ২
   এলাচি — চামচ ১
   ঈশিং — সের ১ / ২
   পূংখাই অমা ফুৎলো। মাত্রা (চাং) আউন্স ২ (তোলা ৪) নোংমদা ২ রক অরুম হৌদ্রিঙৈ মমাংদা থকলগা অরুম থৎলি।
৫. নিম মনা অথোৎপা — ১ আউন্স
   চনম — ৪ গ্রেন
   আজৱান — ২০ গ্রেন
   কালমরিচ — ১০ গ্রেন
   নিম মনা অরিবা — ১ আউন্স
   মেথি — ৩০ গ্রেন
   ময়াম অসি শলগী ঘী খরদা ঙৌরো। থুম খরা য়াল্লো। চাং-গ্রেন ১০ ঈশিং খরদা য়ান্দুনা থকপা অঙাংগী পুক্তা তীল লৈবা পুক কংখৎপা, মাঙবা য়াদবা লোক, থবাক নাবনচিংবা অঙাংগী লাইনা পূন্নমক মাঙহল্লি।
৬. নিমগী থাওদি অপাৎপা, ফুগ্রী অমসুং চাফৎপা খূইংনচিংবা উনশাগী লাইনা পূন্নমক ফহল্লি।